# ‘লমদম অসিগী এদুকেসন সিষ্টেম মরাই চাইথরক্লে’

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী এদুকেসন সিষ্টেম অসি মালেমগী হোংলক্লিবা লমজেলদা য়াওনবা হোৎনবদা ইদুকেসন কম্মিটি কয়া শেমদুনা রিকমেন্দসন তৌদুনা লাকখ্রবসু ঙসি ফাওবা ইমপ্লিমেন্টসনগী ওইবা থৌদাং অসি শোনবনা এদুকেসন সিষ্টেম অসি হেন্না মরাই চাইথরক্কুনা মালেমদা লুপ্লগদবা এদুকেসন সিষ্টেম ওইরক্লে হায়না কংলপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ) গী সেক্রেটরী সঞ্জোয় খুল্লাকপাম্না ঙসি লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা, ইন্দিয়াগী য়াম্না মমিং লৈরবা কম্মিটিশিংগী মরক্তা ১৯৯২–৯৩ দা শেমখিবা য়সপাল কম্মিটিনা ইন্দিয়াগী এদুকেসনবু কমাইনা চুমথোক্তবনো হায়বা রিপোর্ট টাইটল ‘লার্নিং ৱিদাউ বুরদেন’ হায়না গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিমেন্দেসন তৌখিবা কয়া লৈরবসু ঙসি ফাওবা এদুকেসনদা প্রোব্লেম কয়া থোক্তুনা লাক্লি। লোয়ননা ঙসি ফাওবা পোলিসি ওইনা ইম্প্লিমেন্ট তৌবা ঙমদ্রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, দ্রাফ নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি, ২০১৯ না স্কুল এদুকেসনগী ওইবা তোঙানবা পোইন্ট ময়ামগী মরক্তগী মহৈরোইদা পীরিবা ‘করিকুলম লোদ’ অসি হেঙ্গৎহনগদবনি হায়না হায়বগা লোয়ননা ‘ফ্লেক্সিবল করিকুলম’ ওইগদবনি হায়রিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুর /কংলৈপাক্কী ওইনা বোর্দ ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম) না তোঙানবা লাইরিক ওইনা মোরেল সাইন্স, জেনরেল নোলেজনচিংবা সবজেক্ট ওইনা হাপ্লগনি হায়না তৌরকপসি মণিপুর /কংলৈপাক্কী এদুকেসন সিষ্টেমগীদি য়াম্না লাইবক থিবনি। মরমদি হাপকদৌরিবা সবজেক্ট অসি ক্রিডিট, নন ক্রিডিট, ওবজেক্টিব, লার্নিং আউটকম অদু করিনো হায়না মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্দনা করি মরমগী সবজেক্ট ওইনা তমগদৌরিবনো হায়না হঙনিংই। হৌজিক তল্লিবা সেলেবস অসিগী কন্টেন্টকী ভোল্যু অসি চাওবনা সেলেবস অসি ইন্দিয়াগী ওইনা কন্টেন্ট হন্দুনা লৈরবসু মণিপুরগী বোসেমগী ওইনা সবজেক্ট অনৌবা হাপচিল্লকপা অসিনা নেসনেল ইসুদা চেলেঞ্জস কয়া তৌরে হায়না হাজনিংই। মোরেল সাইন্স অসি অবষ্ট্রেক্ট ওইনা মহৈরোই প্রাইমারি লেভেলদা লৈবদদি তঙ্গীনবা হোৎনবদা অৱাবগা লোয়ননা মসি এক্টিভিটি বেস ওইনা থমগদবনি। মরম অদুনা মণিপুর /কংলৈপাক্কী ওইনা ইদুকেসন পোলিসি ওইনা নো স্কুল বেগ হায়বা থাংজা খুদিংগী স্কুল বেগ মহৈরোইশিংদা পুহন্দনা কো করিক্যুলম এক্টিভিটিদা বেজ তৌবা এদুকেসন তৌরিবসি ৱাহল্লোক লৈরবা হায়না কে এস এ না বোসেমদা হংনিংই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

করিকুলম লোদ ওইনবা হোৎনবগী মহুত্তা তোঙানবা সবজেক্ট ইন্দ্রদ্যুজ তৌরকপা অসি বোসেমগী করিকুলমদা য়াওরিব্রা, য়াওদব্রা হায়বসিসু হংই। করিকুলম রিফোর্ম তৌনবা হঞ্জিন হঞ্জিন কে এস এ না হায়খিবা কয়া লৈরবসু ঙসি ফাওবা গভর্ণমেন্টনা এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী করিকুলম অমনা চহী ১০ হেন্না মহৈরোইদা তমহন্দুনা লাক্লিবসি মালেমগী চৎনরিবা অসি খঙদবা মাল্লি। চিন্দনা ক্বালিটি লাওরগা থবক্তনা ইকম ফঙনবা তৌবা থবক ওইনা তৌরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা সবজেক্ট ওইনা মোরেল সাইন্স, জেনরেল নোলেজ তমগদবগী মহুত্তা করিকুলম অসি শেমদোক্লগা সবজেক্ট টেক্সত লোয়না ইনক্লুসন ওইনা মোরেল সাইন্স, জেনরেল নোলেজ হাপহন্দুনা অপ্টুদেট ওইনা নোলেজ য়াওবা টেক্সবুক ওইহনবা য়াই হায়বসি বোসেম্না খঙগদবনি। লাইরিক কম্পেনিগা পৈশা তানবা য়াবগী মওংদা তৌরকপা অসি কে এস এ না মহৈরোই খুন্নাইগী য়েক্নবা ওইনা লৌগনি। ইদুকেসন সিষ্টেমবু লাইরিক প্রিক্রাইব তৌনিনংবা অমা তৌশিল্লগা শেন্দোং তানবা হোৎরিবসি ক্বালিটি এদুকেসনগী মিংদা উৎ চাইবনি হায়রি।

অমরোমদা হন্দক চহীগী এন সিই আর টি গী সেলেবস এন্দ টেক্সবুক অসি মহৈরোইশিংদা তমহনখ্রবসু এসেসমেন্টদদি অহোংবা লৈতে হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না হায়জনিংই। লাইরিক অমা তল্লগা মদুগী এসেসমেন্টগী নিয়ম শেম্বা ঙমদবসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না কে এস এ গী চেরোল অসিনা হায়রি।

## সাইন্স মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ নেসনেল সাইন্স দেগা মরী লৈননা নুমিৎ ৫ নি শুপ্না চখগদবা সাইন্স মিট ২০১৯ ঙসি অকাম্পাৎতা লৈবা নেসনেল ইন্ষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নেলিট) তা ‘সাইন্স ফোর দি পিপলস এন্দ দি পিপল ফোর সাইন্স’ হায়বা থিমদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাসটেক) অমসুং নেলিট, এস টি এফ এম, এম এ পি এস, মাসকা অমদি জি ই এন আই এম গা খূৎশিন্নদুনা এন সি এস টিসি, দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেঙ্গ মখাদা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার সিংহ, মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নর (সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি) বোবী ৱাইখোম, মাসটেককী দাইরেক্তর টি ঐচ সুরেন্দ্রনাঠ সিংহ, দি এস টি গী দাইরেক্তর ঈ ইবোমচা সিংহ অমসুং নেলিটকী ইগজিক্যুটিব দাইরেক্তর টি ঐচ প্রামেশ্বোরি সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিপ্যুটি সি এম ৱাই জয়কুমারনা হায়, সাইন্স হায়বা অসি মীওইবা সমাজকা তৎনা থানবা য়াররোইদবা পোৎশক অমনি। মরম অসিনা মীওই খুদিংমক সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী মরমদা ময়েক শেংনা খঙবা দরকার ওই। মীওইবনা কাংখোং পুথোরকপদগী লৌউ শিংউসু তৌদুনা অচৌবা সহর শেম্বা ঙম্লকপা অসি সাইন্সকী মতেংননি।

সাইন্স হায়বা অসি মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরিবা চৎন পথাপ অদু খঙবা ঙম্না অদুবুনি। অদুগা মসিবু চাওখৎ খোঙথাংদা শিজিন্নবা অসিনা টেক্নোলোজিনি। সাইন্টিফিকশিংদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা মখোয়দা লৈরিবা পোটেন্সিয়েল অদু উৎথোক্নবা তাঞ্জা অদু পীসি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## তমেংলোংদা অমুক্তং শিজিন্নবা প্লাষ্টিকশিং খোমজিনবদা পৈশা পীগদৌরি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ তমেংলোংদা অমুক্তং শিজিন্নবা প্লাষ্টিক হায়বদি সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক লৈহন্দনবা থৌশিলগী মখাদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা প্লাষ্টিক বোট্টল অমদি পোলিথিন বেগশিং খোমজিনবা ঙম্বশিংদা শেলগী মনা পীগদৌরি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর আর্মষ্ট্রোং পামৈনা থোকপা চেরোল অদুগী মতুং ইন্না অহাংবা বোট্টল ১০০ খোমজিনবদা বোট্টল অমমমদা লুপা অনী, বোট্টল ১০০ দগী ৩০০ ফাওবা খোমজিনবদা বোট্টল অমমমদা লুপা ১.৫০ বোট্টল ৩০০ গী মথক্তা খোমজিনবদা বোট্টল অমদা লুপা ১ পীগনি হায়রি।

মসিগীসু মথক্তা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক খ্বাইদগী য়াম্না খোমজিনবা ঙম্বশিং দা শেলগী মনা লুপা ৫০০০, লুপা ৩০০০ অমদি লুপা ২০০০ মথং শিংনা ওক্তোবর ২ দা পীগদৌরি।

খুন খুনগী থাক্তসু এসেসমেন্ট টিম অমনা খনগৎপা খুনশিংদা লু নানবগী অথোই অহেন তান্নহল্লগা লুপা ৫০০০ অমদি লুপা ৩০০০ মথংশিংনা মনা পীগদৌরি। করিগুম্বা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক ময়াম পৈদুনা লৈবা থেংনরবদি টেলিফোন নম্বর ৮৭২৯৮২৪৩৪৪ নৎত্রগা ৭০৮৫৬০৭৩৪৪ পীরক্লসু খঙহল্লি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক থিংনবগী চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী ইভালুয়েসন তৌরগা ফলশিং অদু ওক্তোবর ২, আগষ্ট ১৫ অমদি জনুৱারী ২৬ তা লাউথোক্কনি হায়না তমেংলোংগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী চেরোল অমনা মখা তারি।

## বেবিসনাগী কেস সি বি আই দা শিন্নদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি ঃ জে এ সি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্ডিংদা য়াম্না চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শীদুনা লৈরম্বা বেবিসনাগী কেস অসি সি বি আই দা শীন্নদ্রিবা ফাওবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি হায়না মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সি না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে এ সিগী কনভেনর লাইশ্রম জ্ঞানেশ্বোরিনা পাউমীশিং দা হায়, হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৫ দা জে এ সি অসিগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা অথুবা মতমদা কেস অসি সি বি আই দা শিন্নরগনি, মসিগীদমক লৈঙাক্লা তৌফম থোকপা পূন্নমক তৌরে হায়না থাজবা পীরকপদগী জে এ সি অসিনা চঙশিল্লম্বা খোঙজং অদু সেপ্তেম্বর ১৯ ফাওবা লেপ্তুনা লাকখিবনি। অদবু হৌজিক ফাওবা কেস অসি সি বি আই না পায়রে হায়বগী পাউ অমত্তা ফঙবা লৈত্রি।

লৈঙাক্না হায়নখিবা মতম লোইরদুনা মখা তাবা থবক থৌরমশিং চঙশিন্নবা ঙরাং সেপ্তেম্বর ২০ দা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা থাউ গ্রাউন্দা শীন্নবা হোৎনখি। মীফম অদু পাঙথোকপদা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবগী অয়াবসু দি সি দগী লৌনবা মাঙজৌননা হোৎনখি। অদুবু লৌতুনবা মানবা মওংদা পার্মিট লৌবা চৎপদা দি সি ওফিসতা রিসিপসনিষ্ট নুপী অনীখক নত্তনা অতৈ দাইত্ব লৈবা ওফিসার অমত্তা থেঙনখিদে। মসিগী মতুংদা মীফম অসি পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা পুলিসনা মীফম য়াওবা লাকপা মীয়াম্বু থাউ গ্রাউন্দ ফাওবা চঙহনখিদে।

মসি য়াম্না মীচং মীখাই নাইবগী মওং অমনি। সি আর পি সি গী সেক্সন ১৪৪ লৈ হায়দুনা জে এ সি গী মীফমদুদি থুগাইরগা করিগীদমক ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট স্কুলগী মীচংদা কিয়ামগৈ পল্লি অহানবীদা ফম্বা মীফমদুনা করিগী থুগাইদ্রিবনো হায়না মহাক্না মরী লৈনবশিংদা হঙলক্লি।

লোয়ননা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা হিরম অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা শীনবিয়ু। সি বি আই না কেস অসি পায়রি হায়বগী অইবাব চেরোল জে এ সি দা শীন্নবিয়ু নৎত্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

## মুক্নবা মরক্তা রিপেন্টেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা চহী ১৯৪৯ দা মতমদুগী মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ বুধচন্দ্রবু নমদুনা শিল্লোংদা মার্জর এগ্রিমেন্টকী খূৎয়েক পীনখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা নেসনেল রিপেন্টেন্স দেগী থৌরম ঙসি কোলিসন ফোর ইন্দিজিনিয়স রাইটস কেম্পেইন (সি আই আর সি এ) না শীন্দুনা নম্বোলগী খোরিফাবা হরাওপুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম মরক অদুদা পুলিস পার্সোনেলশিং লাক্তুনা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবগী দি সি দগী পার্মিট লৌদে হায়দুনা থৌরম অদুবু থুগাইনবা হোৎনরকপদা পুলিসশিং অমদি শিল্লি লাংলিবশিংগী মরক্তা চাওনা মুক্নবা থোকখি।

মুক্নবা মরক অদুদা থৌরম অদু মপুং ফানা পাঙথোকখি। অদুবু থৌরম লোইরবা মতুংদা পুলিস পার্সোনেলশিং অদুনা মাইক অমা পুদুনা চৎখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সিরকাগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সোমোন্দ্রো, রোয়েল একাদমি ওফ লো ওইনামগী প্রিন্সিপাল ইরুংবম জুগেশ্বোর, এন ই এফ আই পি গী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম লানচা অমদি টেক্নিকেল কম্মিটি মণিপুর ৱেটলেন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী চিয়ারমেন ডা. খাঙেম্বম শামুঙৌনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এন ই এফ আই পি গী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম লানচানা হায়, মমাঙঙৈদা লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং য়াম্না নেম্লিঙৈ, ৱাখল লৌশিং নিংথিনা লৈত্রিঙৈ মতমদা খোঙথাং কয়া শোইনা অমদি লান্না থাংখিবা মরম্না ঙসি ঐখোয়না অৱাবা কয়া অমা থেংনরিবনি। মতম অদুদা শোইখিবশিং অদু ঐখোয়না হনগৎলগা শেমদোক্লবদি য়াদবনিনা তুংদা লাক্কদবা অমদি তুংগী খোঙথাংশিং চেকশিন্না থাংবা মথৌ তাই।

মহাক্না মখা হায়না হায়, লৈবাক অসিনা ইন্দিয়াদা হেক তিনখ্রবা মতুংদগী তপ্না তপ্না লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা শোকচিল্লক্লিবা, চৎনলোনচৎ মাঙথরক্লিবা, য়েলহৌমীশিংগী হিংনবগী লম্বীদা অপনবা কয়া অমা থোক্লিবশিংবু লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা খঙহন্দুনা ঐখোয়গী ওইবা চপ চাবা ৱাখল্লোন অমা শাগৎপা ঙম্নবা থৌরম পাঙথোকপনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অপূনবা থৌদাং চঙই হায়বনা মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৯ দা সিরকানা শীন্দুনা ইম্ফাল কোলেজদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল ওপন দিবেটিং কম্পিটিসনদা মকোক মথং তারবা মহৈরোই ১০ দা মনা মথুমশিং য়েম্হোকখি।

## লম্লাইদা লোনা য়াদবা মওংদা টোল টেক্স খোম্লে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২১(এস এন এস)ঃ মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা অমা ফাওবা য়াওদনা কনাগুম্বা মীওই খরনা লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা মফমশিংদা টেক্স খোমদুনা লৈরে হায়না মফম অদুগী মীওই খরনা পাউচে অসিগী খুখাংদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মায়কৈ অদোমদা টোল টেক্স খোম্বগী থবক তৌননবা থোকখিবা য়াথং অদু মতম লোইখিবা কুইরে। অনৌবা য়াথং অমা থোক্ত্রিবা মরমনা কনাগুম্বা খরনা চখৎরবা টোল টেক্স খোম্বগী থবক অদু লোগী ৱাংমদনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা টোল টেক্স খোম্বগী থবক তৌগদবা এজেন্সিশিং অদু নৌনা লেপথোকপীনবা আপিল তৌরক্লি।

## ইন্দিয়ানা মণিপুর ...

*লমায় ১গী মখা...* লোয়না মাঙখিবগী ফিভমদা লৈরি। মরম অসিনা সি পি আইনা সি এ বিগী মায়োক্তা চপ চানা লেপকনি হায়খি।

সি পি আইগী নেসনেল এক্সিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা হায়, জননেটা ইরাবত অসি ঙসিদি লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না হেন্না শকখঙনরক্লে। লৈঙাক্নসু মহাকপু শকখঙদুনা মীতম্নচিংবা শাদুনা চঙশিল্লকপা তরাম্না ওকই।

জননেটা অসিবু মখা তানা পুথরক্লিবা অসি করিগীনো হায়বদু নৈনবা চংই। ঙসিদি লমদম অসি লমজিংবিনবা লৈত্রবা লম্মাংনরবা মায়কৈ খঙদনা চৎলবা মীয়াম ওইনা লৌনরি। কনানা কনাবু থাজনরি। চীং তম, তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎপশিংগী মরক্তা থাজনরিবা, পোলিটিক্স অমসুং মীখলগী মওং মতৌ অসি য়েংবা চংই। অকনবনা অচুম্বা শকপা, শেলনামী পুম্নমক লৈগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি হোংদোকপা চঙই।

ঙসিদি পোলিটিক্স তৌরিবশিং দিসিপ্লিন অমসুং ইদিওলোজি ঙাক্লা চৎপা ঙম্লক্তে। অয়ুক্তনা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওবা অদুগা নুংথিলদনা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওরি।

ঙসিগী পালন থৌরম অসি য়াম্না লুম্না লৌই হায়খি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মান্নবা চাকথুং ফংনা পুন্না হিংমিন্নগদবনি। মীওইবগী হক নিংথিনা ঙাক শেনগদবনি হায়খি।

## হরিয়ানা অমদি মহারাষ্ট্রগী এসেমব্লিগী ইলেক্সন ওক্তোবর ২১ দা পাঙথোক্লগনি

নিউ দিল্লি,সেপ্টেম্বর ২১ঃ মেম্বর ৯০ লৈবা হরিয়ানা এসেমব্লি অমদি মেম্বর ১২২ লৈবা মহারাষ্ট্রা এসেমব্লিগী ইলেক্সন ওক্তোবর ২১ দা পাঙথোক্লগনি। ভোট মশীং ওক্তোবর ২৪ দা থিগনি। ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন্না সেপ্তেম্বর ২৭ দা থোক্লগনি।

ষ্টেট অনী অসিগী ইলেক্সনগী সিদ্যুল লাউথোক্লদুনা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুনিল অরোরানা হায়খি, হরিয়ানা অমদি মহারাষ্ট্রগী এসেমব্লি পোল ওক্তোবর ২১ দা পাঙথোক্কনি অদুগা মশিং থিবনা ওক্তোবর ২৪ দা পাঙথোক্কনি।

ষ্টেট অনী অসিগী ইলেক্সন নোটিফিকেসন সেপ্তেম্বর ২৭ তা থোক্লগা নোমিসেন ফাইল তৌবগী অরোইবা নুমিৎ ওক্তোবর ৫ দা ওইগনি। নোমিসেন লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ ওক্তোবর ৭ তা ওইগনি।

মহারাষ্ট্র লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী চহী মঙাগী টার্ম নবেম্বর ৯ দা লোইগনি। অদুগা হরিয়ানাগীনা নবেম্বর ২ দা লোইগদবনি।

হৌখিবা ২০১৪ গী এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহারাষ্ট্রদা বি জে পি না সিট ১২২ অদুগা মসিগা চৎমীন্নরিবা সিব সেনানা সিট ৬৩ ফঙখিবনি। কোংগ্রেসনা সিট ৪২ অদুগা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৪১ দা মায় পাকখিবনি।

হরিয়ানদা ২০১৪ গী ইলেক্সনদা অপুনবা সিট ৯০ গী মনুংদা সিট ৪৭ ফঙদুনা বি জে পি গী গভর্ণমেন্ট অমা লৈরিবনি। কোংগ্রেসনা সিট ১৫, হরিয়ানা জনহিত কোংগ্রেসনা সিট ২, সিরোমমি অকালি দল অমদি বহুজন সমাজ পার্টিনা সিট অমমম ফঙখিবনি। সিট মঙা অমনা ইন্দিপেন্দেন্টনা লৌখিবনি।

## বন্দদা ওফিস কাদবা ইমপ্লোইয়ী ২৪৮ গী ...

*লমায় ১গী মখা...* ইমপ্লোয়ি ২২৩ মরম পীদনা নৎত্রগা ছুটি লৌদনা ওফিস কারক্লমদবা থেংনরে।

মরম অসিনা এ ই বি এ এস রেকোর্দকী মতুংইন্না নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৪৫ ফাওবা ওফিস কারমদবা ইমপ্লোয়ি ২২৩ অসিগী ওর্দিনারি লিভ ৱিদাউঠ পে পীরে। মরম অসিনা মরি লৈনবা জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টকী দি দি ওনা হকথেংননা তেকচাক লৌদুনা সেপ্তেম্বর থা অসিগী তলবতগী হায়রিবা ইমপ্লোয়িশিং অসি নোংমগী তলব কক্লবা খঙহনখি।

লমদম অসিদা চৎনবী অমা ওইনা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনি হায়রবদি মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা পংকন কনবা বন্দ জেনরেল ষ্ট্রাইক নত্তবা ফাওবদা ওফিস চৎতবগী হৈনবী ইমপ্লোয়িশিংগী মরক্তা উবা ফংনরি। মতম মতমগী ওইনা চেরোল থোক্তুনা বন্দ জেনরেল ষ্ট্রাইক ওইরবসু ওফিস শোয়দনা কানবা খঙহন্দুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, মণিপুরবু ইন্দিয়াদা নমদুনা তিনহন্নবা নমথাক তৌদুনা খূৎয়েক পীহনখিবা ঙসিগী নুমিৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা লানহৌলূপ অমনা ঙসি মণিপুর পুম্বদা টোটেল সটদাউন লাউথোকখিবনি। টোটেল সটদাউন অসিনা মরম ওইরদুনা ইম্ফালগী মরু ওইবা মফম কয়ামরুমদা লৈবা কৈথেলশিং থোঙ হাংনখিদে। লৈঙাক্কী অমদি লম্নাইগী মহৈশঙশিং থোঙ হাংনখিদে। লম্বীদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা গাড়ী চেনবগী চাং শাথিনা হম্বখি। ইম্ফালগী মরু ওইবা ওফিসশিং য়াওনা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর অয়াম্বদসু ইমপ্লোইয়ীশিং কাবগী চাং শাথিনা হম্বখি। অদুবু পামদবা থৌদোক থোরকপা থিংননবা পুলিসনা মফম কয়ামরুমদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

## অনিতা ই–রিক্সো থৌদুনা মায় পাকপা পুন্সিরোল ১দা হিংবা ...

*লমায় ১গী মখা* মসি পূন্নমক অসি মীয়ান্নসু নুংশিবীবগীনি হায়খি।

অনিতানা মখা তানা হায়রকপদা, হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা কনা লৈজদ্রবা অহলশিংনা থবক চৎনবা হোৎনবদা গাড়ীগী অৱাবা লৈবদু লৈনদনবা হোৎনবনা মপূং ওইবা পান্দমনি হায়রদুনা ফোন তৌরগা কৌরকপদা ময়ূম ময়ূমদগী লৌরুবা অমদি ময়ূম ময়ূম ফাওবা থিনবীদুনা অৱাবা লৈহন্দনবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিল্লক্লে হায়খি।

অনিতা মশানা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা নুপীশিংতগী ওইবা ই–রিক্সো অসিগী এসোসিয়েসন অমা শেম্লগা নুপী মশীং য়াম্না সার্ভিস তৌনবা হোৎনরি। হৌজিক হৌজিক মহাক্না থৌরিবা ই–রিক্সো অসি পার্কিং অমত্তদা খাল্লগা মী পুদে। ঙসি ফাওবদা ফ্লাইয়িংদা মী পুদুনা চৎলিবা অসিদা তোঙান তোঙানবা ওটো এসোসিয়েসনশিংনা অথিংবা পীরকপা য়াওরি। নুপীনা থোক্লক্তুনা অসিগুম্বা থবক অমা তৌরকপদা পূক্নীং থৌগৎপীবগী মহুত্তা তান্নরক্তুনা মী হাপ্পা য়ারোই হায়রকপসু ময়াম অমা য়াওরি হায়রদুনা মসিদা অথিংবা পীদনবা লৈঙাক অসিনসু মীৎয়েং চঙবীয়ু, নুপীশিংবু পূক্নীং থৌগৎপীয়ু হায়খি।

হৌজিক হৌজিক অঙনবা অয়ুক্তা ললোনবীশিংনা ফোন তৌরক্তুনা ময়ূম ময়ূমদগী লৌরুরগা কৈথেলদা থিনবা অমদি ময়ূম ফাওবা অমুক থিনবীদুনা মীয়ামগী মতেং পাঙলি হায়রদুনা অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা অসিনা পূং ১১ তারকপদা অমুক ময়ূমদা হল্লক্তুনা নুপী অমা ওইবনিনা য়ূমগী থবক থৌরমশিং লোইশিল্লবা মতুং অমুক থোক্লক্তুনা সার্ভিস তৌরম্লগা নুংথিল পূং ৩.৩০ মু তাবদা য়ূমদা অমুক চঙলক্তুনা ঊৈহাক পোখারে, ললোনবীশিংনা ময়ূমদা হন্নবা ফোন তৌরকপগা অমুক চৎতুনা মখোয়বু ময়ূম ময়ূমদা ফাওবা থিনবগী থবক তৌরি।

নুপীশিংতগী ওইবা ই–রিক্সো অসিগী এসোসিয়েসন অমা শেন্নবা হোৎনরিবা অসিদা হৌজিক নুপী খরসু য়াওশিল্লক্তুনা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈরে হায়রদুনা মসিনা হেক মায় পাকপগা মণিপুরদা কেব সার্ভিস তৌরিবা অসিগুন্না ফোন সেলদা সার্ভিস তৌগনি অমদি অহল ওইরবা শোল্লবশিংসু থা অমদা অমুক অমুক্তং ময়ূম ময়ূমদগী পুথোকপীদুনা কোয়বা পুগনি হায়খি।

অনিতানা ই–রিক্সো হেক থৌবা হৌরকপদগী মঙোন্দা হম্ববা মীৎয়েং য়েংবীরকপা য়াওদবা নত্তে। মীয়ামগী থবক তৌরবদি পূন্নমক মায়োক্লবা তাবনি। মীয়ামদা মেসেজ অমখক পীনিংবগীসু মহাক থিল্লকপনি হায়রদুনা মীয়ান্না ঙসি ফাওবা মঙোন্দা য়েংনবা অমদি তোংলকপশিংনা বোর পীবিরম্বনা মশীং য়ামখ্রে হায়রদুনা হৌজিক চঙনিংবা মায়কৈদা চঙবা ঙমদবগী খুদোংচাবা অমা মায়োক্লরিবা অসিমতং সরকার অসিনা কোকহনবীরবদি নুংঙাইগনি। নুপীনা অসিগুম্বা থবক অমা তৌরকপসি ফ্রী খরদি ওইহনবীয়ু হায়বগা লোয়ননা ওইল্দ পম্প লৈরিবা অসিগুন্না ই–রিক্সোশিংগীসু চার্জিং পোইন্ট লৈনবা শীনবিরবদি হেন্না নুংঙাইগনি হায়খি।

অনিতাগী মপুরোইবা এন দিলিপ মতম খরা ওজা ওইরম্মী হৌজিক্তি ময়ূমদা দুকান ফমদুনা লৈরে। হৌজিক মহাক্কী মচানুপা অমা নুপী অমা লৈরে। থবক অসিদা ইমুংগী মীপূম খুদিংমক্লসু সপ্পোর্ট তৌবীরি।

## ইকংগী অৱাবা মায়ওং য়ানবা পাঙবা য়াবা মতেং...

*লমায় ১গী মখা...* হোৎনবা মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

ৱান নেসন ৱান কার্দ অসি মথং চহীগী জুন ফাওবগী মনুংদা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনহন্নবা হোৎনরি। মসিনা কার্দ পায়রবা মীওই অমনা মহাক্কী ষ্টেট নৎত্রদবসু অতোপ্পা ষ্টেট অমদগী এন এফ এস এগী খুদোংচাবা লৌবা য়াহনগনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যামনা হায়, মণিপুরদা এন এফ এস এগী চেঙ অসি থা খুদিংগী ফংহন্দুনা লাক্লি। মসি সিষ্টেম অমগী মখাদা মরী লৈনবশিংদা ইশু তৌদুনা লাক্লি।

মণিপুরগী ওইনা এলোকেসন তৌরিবা ফুদ গ্রেন অসি থা অমদা এম টি ১৩,৩৮০.৭৪০নি। নফসাগী চেঙ ফংবা ইমুং মশীংনা ৫,৭৯,৮৭০ নি লোয়ননা বিনিফিসিয়ারি মশীংনা ২৪,১২,৭০২ নি। ষ্টেট অসিদা ফেয়ার প্রাইস সোপ এজেন্ট ২৩২৪ লৈরি।

এফ পি এসকী ই পি ও এস সিষ্টেম শিজিন্নবা অসি হান্না এফ পি এস ১০দা চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোকখিবা পুন্না এফ পি এস অনৌবা ৫০ দসু ই পি ও এস শিজিন্নবগা লোয়ননা পুন্না এফ পি এস ৬০দা ই পি ও এস শিজিন্নবা হৌখ্রে। ই পি ও এস শিজিন্নবা অসিগীদমক চহী খুদিংগী ষ্টেট অসিনা লুপা ক্রোর ৫ ষ্টেট সেয়ার পুথোক্লগা লুপা ক্রোর ২ না সেন্টরনা পুথোক্লিবনি।

লমদম অসি রিসোর্স লৈজদবনা অৱাবা মায়োক্লরবসু মীয়ামগীদমক্তনি খন্দুনা লৈঙাক্লা হোৎনদুনা লাক্লি। মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা এফ এস দি গোদাউন ৯ অসিগী অপুনবা কেপাসিটি অসি ৪২,৬৯০নি। মণিপুর অসি চীংগী লম ওইবা লৈখা লম্বীদা হিংবা ওইবনা নোংজুথাগী মতম, লম্বী চখোক চৎশিন তৌবা য়ারক্তবা মতমদা থা অহুমগী বফর ষ্টোক থম্বা মতমদা এম টি লিশিং ৪০গী কেপাসিতি ওইবা গোদাউনগী তঙাইফদবা লাক্লি।

ষ্টেটগী মায়কৈদগী নৌনা শেম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংগী এফ এস দি গোদাউন ৬ শাবীনবা হায়জখ্রে। মমাঙগী চহীদা ঈচাউ অহুমলক মায়োক্লখি। হন্দক্লা অমুক ইকংগী অৱাবা মায়োক্লরে। মসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা লোকেল চেঙ অসি কেজিদা লুপা ৫০গী মথক্তা ফংলে। মসিমক ষ্টেট অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইগনি।

হৌজিক ইকংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি থেংনবা ঙম্নবা কেজিদা লুপা ২৪.৭৬ পীবা মিনিমম সপোর্ট প্রাইসকী চেঙ অসি পীবিনবা হায়জখ্রে। মসি পীবিরক্লবদি চেঙগী মমল খরমখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়খি।

কেরোসিন থাওঙ্গী ওইনসু চহী অমগী এলোকেসন অসি কিলোলিটর ২৯২০ নি। মসি মপুং ওইনা মৈ ফংদবা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক পীরি। স্কিমগী নন বিনিফিসিয়ারিশিংনা প্রোব্লেম থোকহনবদি লানগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা এফ সি আই কেম্পস অসিদা উ পাম্বীসু থাখি। থৌরম অদুদা সেক্রেটরী সি এ এফ এন্দ পি দি রবিকান্ত অমসুং চেয়ারমেন কম মেনেজিং দাইরেক্টর এফ সি আই দি ভি প্রসাদসু শরুক য়াখি।

## মহৈরোই লূপশিংনা শীন্দুনা শিল্লোংদা মর্জর এগ্রীমেন্টগী মরমদা...

*লমায় ১গী মখা ...* থোকপগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরিবনি।

ইন্দিয়াদা তিনখিবা নুমিৎ অদুদগী খা– নোংপোক এসিয়াগী মনুংদা অনীশুবা অদুগা খা–থংবা এসিয়াগী ওইনা অহানবা ওইনা মশাগী কন্সটিট্যুসন ১৯৪৮ লৈদুনা মশাগী গভর্ণমেন্ট অমা লিংখৎচখ্রবা মণিপুরগী নীংতম্বা অদু ইন্দিয়ানা খাঙুথক্তা থদৎখি। ঙসিসু মণিপুরী পূম্বগী থম্মোয়দা মতম চুপ্পদা পেন্দবগী খোল্লাও কয়া লাউরিবনি। ইন্দিয়ানা মনীংতমখিবা মণিপুর মতম অদুগী নিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রদা নমদুনা সাইন তৌহন্দুনা নম্লৌ লৌশিনখ্রবা মতুংদগী ঙসিদি ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা লালোং কয়া লেপ্পা লৈতনা চখদুনা ঐখোয়গী ফুরুপ মুথৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অমুবা আইননি হায়নরিবা অফসপা থমজিন্দুনা এক্ট অসিগী মরুমদা মণিপুরগী নহা কয়া খাঙুথক্তা হাৎতোকখ্রে, ফেক একাউন্টরগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে, নুপী ওইবী কয়াগী ইজৎ মাঙহনবীখি, তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মেসেক্রে কয়া চখখি। হায়রিবা এক্ট অসিবু লৌথোক্লবা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রে অদুবু ঙসিসু তমথিরবা আইন অসি মণিপুরদা থমজিল্লি। মীওই লাক্ষ কয়া থবক ফংদনা লৈরি। কয়া অমনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা হিংহল্লি। মসি পূন্নমক ঙরাং থোক্লকপা খক্তমক নহালনত্তে। লিশাং শিৎনা চখরকখিবা ইন্দিয়াগী লাললোং অদুনা ওইহল্লকপনি।

মণিপুর তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পূন্না কুন্দামিন্নবা লৈবাক অমনি। খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী লীপূন থদৎনবা শিংচেপ থারকপা লেপত্রি। মসি পূন্নমক ইন্দিয়াগী লাললোং ঙাক্তনি। ঙমখৈ কায়দনা থমগনি হায়রগসু লৈবাক মনুংগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা মচেৎ মচেৎ তানননবা হোৎনরি।

ইন্দিয়ানা লমদম অসিগী ফুরুপশিংগী লৈজরিবা আইদেন্টিটিশিং মুথৎনবা অমদি য়েলহৌমীশিংবু মুথৎতুনা ইন্দিয়ানা পূময়োৎ য়োৎশিনখিনবা মীশীংগী লান চখরক্লি। তংদু– লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবগী করন্না মায়োক্লগদগে হায়বগী তরেৎ–তরা থোক্লা খন্নফম থোকই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এইমসকী ফোর্মর প্রসিদেন্ট রাজেশ য়ুম্নাম্না হায়, মণিপুর মশাগী য়ুনিক হিষ্টোরি লৈজবা লমদম অমনি। ইন্দিয়াদগীসু বৃটিশকী মখূৎতগী মনিং–মখা তম্বা হায়না লমদম অমনি। কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মতম অদুগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু নোংমৈ চিন্দোন্দা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট অসি তৌহন্দুনা নমদুনা ইন্দিয়াদা তিহনখিবনি। নমদুনা তৌহনখিবা এগ্রীমেন্ট অদু এগ্রীমেন্ট ওইনা লৌফম থোক্তে।

নেস্লেল অমা ওইনা লৈরমখিবা মণিপুর অসি ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবদগী ঙসিদি হীরম খুদিংমক্তা নমথদুনা থল্লি। ইন্দিয়ানা মান্নদবা মীৎয়েং য়েংদুনা লাক্লি। লমদম অসিগী য়েলহৌমী ফুরুপশিংবু মুথৎলগা লমদম অসিগী রিছোর্সেসশিংবু লৌথোকপনি মখোয়না পাল্লিবসে। ভির্গিন রিছোর্স কয়া লৌথোক্লবা হোৎনরক্লগসু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা করিসু হায়বা ঙমদনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী য়াকা য়েংদুনা লৈরি। লমদম অসিগী লৈরমখিবা ফম্নাইবশিংদি থৌনা ফবা কয়ানি। অদুবু ঙসি ঙসিগী ফম্নাইবশিংদি করিগুম্বা ৱা অমা ফাওবা ঙাংবা ঙমদনা লৈরি। মখোয়বু ঐখোয়না খুদোম্বী থিন্দুনা ওইরক্লিবা ফীভম অসি খঙহনবা চুম্মী।

ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু অমদা নৎত্রগা অমদা অদুমক নমথদুনা মুথৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। সি এ বি চৎনহন্নবা হোৎনরিবা অসি মীতোপশিং থাজিল্লক্তুনা য়েলহৌ ফুরুপশিংবু মুথৎনবা হোৎনরকপনি। মরম অদুনা ঐখোয় তুমিন্না লৈগুমসি। অচেৎপা ফীরেপ লেপ্তুনা পূন্না থেংনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা সুককী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজানা হায়, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা অসি তিন্নিং–তিন্নিংদুনা তিনখিবা নত্তে। ঐখোয়গী ইশাগী আইদেন্টিটি লৈজনা মনিং–মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরমখি। লৈবাক অসিবু ইন্দিয়াদা তিনখিবদগী ঙসি ফাওবা মশক থোকপা লৈবাক অমা ওইনা ওইহন্দনবা নমশিন্দুনা থল্লি। ইন্দিয়াদা তিনলমদ্রবদি মশক থোকপা লমদম অমা ওইরম্বসু য়াই। মতৌ করন্নানিং–খা তন্না অমদি মীখা পোন্দনা হিংগনি হায়বসি ঐখোয় খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এস এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট সাজদ ভুনিয়ানা হায়, সেপ্টেম্বর ২১ দা চখখিবনি হায়রিবা মর্জর এগ্রীমেন্ট অসি এনেক্সেসননি, এগ্রীমেন্ট নত্তে। মরমদি মতমদুগী নিংথৌনা মশানা য়ানিংনা সাইন তৌখিবা এগ্রীমেন্ট নত্তে। ইন্দিয়াদা তিনলে হায়বগী মহাক্না হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকপগী মমি অমত্তা তাখিদে। মহাক মশানা য়ানা সাইন তৌরম্বা তারগদি হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লমগনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা অপূনবা মণিপুর অমা শাগৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা দেসামগী প্রসিদেন্ট সলাম অকাশনা হায়, শিল্লোংদা হৌখিবা চহী ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মতম অদুগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু নমদুনা ইন্দিয়াদা এনেক্স তৌহনখিবনি। এগ্রীমেন্টনি হায়রিবা অদু এগ্রীমেন্ট নত্তে। চহী অদুমক্কী ওক্টোবর ১৪ দা মণিপুরগী এসেমব্লিদা ঐখোয়গী ওইবা ৱারেপ অমা লৌজদুনা মর্জর এগ্রীমেন্টনি হায়রিবা অদু দ্রোপ আউট তৌরে হায়না লাউথোকখি।

মণিপুর মশাগী কন্সটিট্যুসন অদুদা চৎনখিবা মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ঙসি ফাওবা রিপেল তৌদ্রি, হৌজিকসু হিংলি। অদুম নমদুনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন অসি চৎনখিবনি। মীতোপ চঙশিল্লকপা হেঞ্জিল্লকপা পূন্নমক অসি ইন্দিয়াদা তিল্লুবদগীনি। অল্টিমেট ক্রোর ইশু অমা তানবা মথৌ তাই। মীয়ান্না হৌরক্লবা কান্দা ঐখোয় কঞ্জবা ঙমগনি। ইন্দিয়াদা এনেক্স তৌদ্রিঙৈদা লৈজরমখিবা মণিপুর অদু তানবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

এমসুগী প্রসিদেন্ট পেটর লাইশ্রমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি চখদুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মচেৎ মচেৎ তাননবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। ইন্দিয়ানা পাম্বদি ঐখোয়গী লম মখোয়না লৌহৌবনি। মদুননি মীতোপ কয়া থাজিল্লকপা অমদি সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনচিংবা কয়া চৎনহন্নবা হোৎনরক্লি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা কয়া লেপ্পা লৈতনা লমদমসিগী য়েলহৌমীবু মুথৎনবা ললোং কয়া মখোয়না হোৎনরকখিগনি।

য়েলহৌমীবু মুথৎনবা নৎত্রগা মাইনোরিটি ওইহন্দুনা নমহৎলগা থম্বা হায়বসি মখোয়গী অপাম্বনি। ঐখোয়না মসি পূন্নমক অসি থেংনমিন্নবা চঙই। নোংমদি মণিপুরদা সুকশোই শোয়দনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈগী মমাঙগী ষ্টেটস তাল্লক্কনি হায়বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙবদগী দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি অসি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা চখরিবনি। ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পূন্না থেংনমিন্নবা চঙই হায়খি।

থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগী কনসল্টেটিভ মেম্বর এদভোকেট এল যাদুমনি, ফ্রী প্রেস স্কুল ওফ জর্নেলিজমগী দিপ্যুটি দাইরেক্তর আর কে বোবিচান্দ অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মেঘলায়াগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম মুনিচনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## জি এস দি পি চাদা ৪ দগী ৮ দা হেনগৎহনবা ...

*লমায় ১গী মখা...* অদু চাদা ২২ দা হন্থখিবা অসি কুমজা ১৯৯১ দগী ইহান হানবা ওইনা ইকোনোমিক লিবরেটিজেসন তৌবা অমনি। চাদা ৩০ দগী ২২ দা টেক্স হন্থবা অসিনা কো–ওপরেট সেক্সনশিংদা রিলিফ পীরিবসি ক্রোর ১৪,৫০০ নি।

অনৌবা কম্পনিশিংদনা টেক্স রেটসি চাদা ১৫ দা হন্থরকপা অসিনা অনৌবা কো–ওপরেটশিং লিংখৎলকপদা ইনকরেজ তৌদুনা মতেং ওইরগনি। টেক্স হন্থরকপা অসি দোমেষ্টিক কম্পনি কয়া হেনগৎলকপা অসিনা থবক ফংদবগী খুদোংচাদবশিংদা থবক পীদুনা অফবা মায়ওন অমদা লাক্লগনি। সেয়ারগীদা টেক্স হেন্না লৌরমদবসু জুলাই ৫ গী মমাঙদা পব্লিক এনাউন্স সেয়ার লৈবা ওইরদি চার্জ লৌররোই হায়রি। লোয়ননা কো–ওপরেট সেক্সনশিংনা ময়ামদা মতেং পাঙবা চাদা ২ অসি এক্সপান্দ তৌদুনা সেল্ফ দিভলপমেন্ট তৌনবা রিছার্স তৌবনচিংবশিং হ্যুমেন দিভলপমেন্টদা পীগদবনি হায়রি। মসিগী কান্নবা অসি সেক্সন খুদিংমক্লা খুন্নাইগী চাউখৎনবা হীরমদা কান্নবা লৌবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখা তানা হায়, মীয়ামগী সপ্পোর্টকা লোয়ননা লমদমসিদা তংদু– লৈতাবা বন্দ, ব্লোকেটকী চাং হন্থরকপা অসিনা ফীভম ফগৎপা ঙম্লে। ফোরেন্নর টুরিষ্ট লাকপগী মশীং হেনগৎলে। হান্না চহী অমদা ৫০০ / ৬০০ লাক্লম্বদু হন্দক্তি থা অমদা ১০০ গী মথক্তা লাকপগী রিপোর্ট লৈরে। লমদমসিদা ইং–তম্পা খুন্নাই অমদা লাকহনবা ঙম্লিবসি মীয়ামগী মতেংননি। হন্দক মাও, মরাম অমদি মখান ভিল্লেজ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা ৱাথোক অসি লমগী মতাংদা ওইবনিনা নাকল অনীমক্কী মীহুৎশিংগা লৈঙাক্লা ফম্মীন্নদুনা ৱারী শান্নমীন্নসি। মিনিষ্ট্রিয়েল কাঙবু অমসু শেমদুনা থৌদোক থৌকফমদা য়েংশিন্নবা থারগনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লবা ঙাক্তনি। অমদা অমদা অৱাবা পীদনা ৱারী শান্নদুনা ফগদবা মায়কৈদা চৎমীন্নসি। বন্দ, ব্লোকেটনচিংবা অমত্তা তৌবিগনু হায়না চীফ মিনিষ্টরনা আপিল তৌখি। লোয়ননা ষ্টেট রিভেন্স হেনগৎনবা অনৌবা ৱাখল্লোন ওইনা গঞ্জাদগী থুংবা থাঙ্গা দিফরেন্টলিয়েবল ওইরবশিংদা তৌবদা ফবা ঙম্বগী লীখুন অমা ফংবা লৈরে। মরম অসিনা লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাওদা চান্নবা হৌরিবা গঞ্জাদগী থাউ শুংদুনা ইন্দষ্ট্রিয়েল অমসুং মেডিকেল্লগী ওইনা শীজিন্নবা পুথোক্লবা ৱাখল্লোন দা লাক্কদৌরিবা কেবিনেটতা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি।